ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩১১শুবা মশীং

# সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট

## মণিপুরগী মীয়ামদা লূ কোকপদা শমজেৎ পীগদৌরিব্রা

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা কুকি লমহেনবশিংগী তমথীরবা লান থা ৯ মপূং ফাবা নুমিৎ ফেব্রুৱারী ৩, ২০২৪দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা মহাক্কী দেল্লীদা লৈবা য়ূমদা উনখি। লুচিংবা অনীনা উনখিবা অদুদা মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না মরু ওইবা ৱারেপ খরা লৌরগনি হায়বা ৱাফম নুমিৎতুমক্তদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম ‘এক্স’ তা ইদুনা থাগৎলকখি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরনা দেল্লীদা লৈরিঙৈদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অদুগী অকূপ্পা ৱারোলশিং খঙনীংলবা পাউমীশিংনা মহাক্না হল্লক্কদবা এয়রপোর্টতা ঙাইদুনা লৈখ্রবসু চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হন্না ফাওবা য়েংলমদনা চৎখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা মতম খরগী মমাঙদগী অয়াবা থল্লকখিবা ‘ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম’ (এফ এম আর) চৎনহল্লরোই হায়দুনা লাউথোরকপবু থাগৎপা ফোঙদোকপগী পাউগী মীফম অমা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখি। পাউগী মীফম অসিদা পাউমীশিংগী মায়কৈদগী দেল্লীদা হোম মিনিষ্টর উনবদা খন্নরকখিবা ৱাফমশিং অদু করি করিনো অমসুং মরু ওইবা ৱারেপ খরা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না লৌরক্লগনি হায়রিবশিংদুনা করি করিনো হায়না হংখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা চপ চাবা পাউখুম পীখিদে। থৌদোক অসিগী মতুং ফেব্রুৱারী ১০দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লাক্লিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্লগদবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা লৈবাক অসিদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৯ চৎনহল্লগনি হায়দুনা লাউথোরকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসিদগী থোরক্লিবা ৱাহংদি চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্না উনবা নুমিৎমক্তদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না মরু ওইবা ৱারেপ খরা লৌরক্লগনি হায়খিবনা লৈবাক শিনবা থুংনা সী এ এ চৎনহল্লগনি হায়রক্লিবসিদা মণিপুরসু লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইরিবনা ৱাফম অসিমক মণিপুরগী মীয়াম্না অপাম্বা ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা এক্ট অসি লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনরবসু মণিপুরগী মীয়ামদদি লম্বোইবদা শমজেৎ পীবা ওইনা থোক্কদৌরিব্রা হায়বসিনি। মরমদি ঙসিদগী চহী ৪৫ রোমগী মমাঙ অদুগৈ কুমজা ১৯৭৯-৮০ অদুৱাইদগী হৌনা মহেরোয়শিংগী লূপ অমসুং মীয়াম্না বেজ য়্যর-১৯৫১ ওইরগা মণিপুরদগী মীতোপশিং খন্দোক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। মসিগী মতুংদা মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনহল্লকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন (এন আর সী) বু বেজ য়্যর ১৯৫১ ওইরগা চৎনহনগদবনি হায়বগী অকনবা দিমান্দ তৌরিবনি। দিমান্দ অসিগী চৈরক্তা সী এ এ চৎনহল্লগনি হায়রিবসিনা হান্নদি মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট খরদি কোনশিল্লোই হায়খিবা অদুগী মতুংইন্না কদাই ফাওবা ঙাক্না চৎকদগে হায়বসিনি। মরমদি সী এ এনা হায়রিবসি কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মমাঙদা লৈবাকসিদা চঙলকখ্রবা পাকিষ্টান, আফঘানিষ্টান অমসুং বাংলাদেশতগী হিন্দু, শিখ, বুদ্ধিষ্ট, জ্যেন, পার্সিস অমসুং খৃষ্টিয়নশিং লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইহল্লগনি হায়বনি। মণিপুরদা হৌজিক আই এল পি এস চৎনদুনা লাক্লগসু ষ্টেট অসিগী এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদগী খরদা লৈবাক অহুম অসিদগী চঙশিল্লকপা মীওইশিং য়ামদ্রবসু খরা লৈরি হায়বগী ৱাফম লৈরিবনিনা সী এ এ চৎনরক্লগদি মখোয়সু লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইগদৌরিবগী মথক্তা হান্নদগী হৌনা মণিপুরদা লৈরক্লবনিনা মখোয়দদি আই এল পি পীদুনা লৈহনবা য়াখিগদৌরিব্রা। মরম অসিনা হোম মিনিষ্টরগী ৱাফমগী মতুংইন্না চৎনহল্লগনি হায়রিবা সী এ এনা কদাই ফাওবা কোনশিনগদগে/কোনশিল্লোইদগে হায়বদু লৈঙাক্না অথুবা মতমদা তং তানা খঙদোক্তুনা মীয়ামদা লৈখাই তাবা ৱাফমশিং খঙহলহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়নীংই।

## ꯁꯤꯇꯤꯖꯅꯁꯤꯞ ꯑꯦꯃꯦꯟꯗꯃꯦꯟꯇ ꯑꯦꯛꯇ

### ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯗꯥ ꯂꯨ ꯀꯣꯛꯄꯗꯥ ꯁꯃꯖꯦꯠ ꯄꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ

# লৌমীশিংগী কাখল

## চাং নেম্না মথৌ তাবা তিল্হৌ-চনমগী মচীঙ্গাকশিং

ডা. এম থোইথোই সিংহ

পাম্বীদা চাং নেম্না মথৌ তাবা অদুবু অতোপ্পা পোৎলম অমত্তনা মাগী মহুৎ শিনবা ঙমদবা মরম্না অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দবা তাই। পাম্বীদা ৱাৎপগী লায়ওংশিং খঙদোক্কনি।

**কেলসিয়ম :** তিল্হৌ-চনমদা কেলসিয়ম চাদা ০.২দগী ০.৪ ফাওবা য়াওই। চাদা ০.১গী মখাদা হেক লৈখিবদা ৱাৎপগী লায়ওং উৎলকই। লৈবাক্তা কেলসিয়ম মরাং কায়রবসু লৈবাক্তু শিন্তক (এসিদিক) তৌরবদি পাম্বীনা লৈবাক্তগী ইরায় লায়না ফংবা ঙমদে। পাম্বীগী মফম অমদগী মফম অমদা লেঙবা ঙমদে। পাম্বীনা লৈবাক্তগী লৌখৎপা ঙল্লক্রবা মতমদা অরিবা মনাদা য়াওরিবা কেলসিয়ম অনৌবা মনানা শীজিন্নবা ঙমদে। ৱাৎপগী লায়ওং অনৌবা মনাদা উৎলি। অনৌবা মনাশিং শিথরকই নৎত্রগা খোইদ্রিং খোইদ্রাং তৌরকই। মরূ পীক্লা লৈগনি, মরাগা নক্লবা মপান্থংবা মরূগী শরুক্তা পৎলি-পৎলি তৌবা ওইনা উগনি। কেলসিয়ম ৱাৎপনা তিল্হৌ-চনমগী মনা মতোন অমসুং মরাগী মতোম্থংবা শরুকশিং ফগৎহনবা ঙমদবনা পাম্বী শুংজিন্না লৈগনি; চাউবা ইহেন হেল্লোই। মরূগী মশীং য়ামদে, মরূ কাদে। চনমদদি অনৌবা মনাগী মচু তাইফেৎ তাইনা লৈগনি।

**ফনবা শেম শাবা :** মতম পূম্বগী ওইনা তিল্হৌ-চনম থাফমদু শীনবগী চাং হন্থহনগনি। pH 6.5গী মথক্তা লৈহনগনি। পাম্বীশিংনা কেলসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্লবদি কেলসিয়ম নাইট্রেট গ্রাম ৭৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি নৎত্রগা কালসিয়া (কেলসিয়ম ১১%) মিলিলিটর নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

**মেগ্নিসিয়ম :** পাম্বীনা মেগ্নিসিয়ম চাং নেম্না পাম্মী। চাদা ০.১-০.৪ ফাওবা পাম্বীদা য়াওই। পাম্বীগী মফম অমদগী মফম অমদা ইরায় লায়না য়ৌশিনখিবা ঙম্মী। পাম্বীদা মেগ্নিসিয়ম ৱাৎপা মতমদা অরিবা মনাদা লৈরম্বা মেগ্নিসিয়ম অনৌবা মনাদা য়ৌশিনখি। ৱাৎপগী লায়ওং অরিবা মনাদা উৎলি। অরিবা মনাগী মতোম্থংবা শরুকশিং পৎলি-পৎলি উগনি, মতুংদা কংশিল্লক্কনি। মেগ্নিসিয়ম ৱাৎলবা তিল্হৌ-চনমগী মরূ পীক্কনি। মকুগী মচু তাইফেৎ তাই অমসুং মপান্থংবা মকু চেকখাইগনি। চনমগী অরিবা মনাশিংদা মচু তাইথবতা নত্তনা মপাক-মপাক লাংবা ওইনা উগনি। অরিবা মনাশিংদুগী মপান (মজিন) নাপু চঙলক্কনি, কংশিল্লক্কনি।

**ফনবা শেম শাবা :** Power Mag মিলিলিটর নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। নৎত্রগসু মেগ্নিসিয়ম সলফেট গ্রাম ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ২০নি কান্নরগা অহুল্লক কাপথোকপা য়াই। কেলসিয়ম অমসুং মেগ্নিসিয়ম অনীমক ৱাৎপা ওইরবদি Magnacal মিলিলিটর নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

**আইরন :** মণিপুরগী শিন্তক তৌবা লৈবাকসিদদি পাম্বীদা আইরন ৱাৎপগী লায়ওং কয়া উদে। pH7কী মথক্তা লৈবা মফমশিংদা আইরন ৱাৎপগী লায়ওং উৎপা থেংনৈ।

মশা ফরিবা তিল্হৌ-চনমদা চাদা ০.০১দগী ০.০৫ ফাওবা আইরন য়াওই। চাদা ০.০০৫গী মখাদা লৈখিবদগী আইরন ৱাৎপগী লায়ওং উৎলি। ৱাৎপগী লায়ওং অনৌবা মনাদা উৎলি। অনৌবা মনাশিংগী মখোঙলোম থংবা শরুক্তা হেন্না নাপু চঙগনি। পাম্বীশিং শুংজিন্না পীক্লা লৈগনি; মরা তাথরোই, মরূ পীক্কনি।

**ফনবা শেম শাবা :** আইরন খরা ৱাংবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট কমপ্লেক্স অমা হেক্তা শীজিন্নবা য়াই। Agrision Furnas গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। নৎত্রগা Agresia Ferrus 12 EDTA গ্রাম ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

**মেঙ্গানিজ :** তিল্হৌ-চনমনা নৌরিঙৈ নুমিৎ ৬০নিগী মমাঙদা ৱাৎপগী লায়ওং উৎলি। নৌরিবা মনাশিং নাপু চঙলক্তুনা ফৈদোমশিংদা হৌরিবা পাম্বীশিং ঙৌনা উই। ৱাৎপগী লায়ওং খঙদোকপা লুদে। মনা মশীং হন্থে, পীকই; ইরন লন্না উগনি। মচীঙ্গাক শুংগদৌরিবা মনাগী শরুক য়ামদ্রবনিনা মরূ কাবা ঙমদে। মরূ য়াম্না পীকই।

**ফনবা শেম শাবা :** Manganese sulphate গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

**জিঙ্ক :** অতৈ পাম্বীশিংদা জিঙ্ক ৱাৎলকপা মতমদা ময়ায় ওইরপ তৌবা মনাশিংদা লায়ওং উৎলবসু তিল্হৌ-চনমদদি নৌরিবা মনাদা উৎলি। নৌরিবা মনাশিং নাপু চঙলপ তৌগনি। মরাক চপনা শাংগনি, মনাশিং লৈখায়রপ তৌনা খোইদ্রিং খোইদ্রাং তৌবা ওইনা উগনি। পাম্বী শুংজিনগনি; মরূ পীক্কনি। মশা ফরিবা তিল্হৌ-চনমদা জিঙ্ক চাদা ০.০০৩দগী ০.১৩ ফাওবা য়াওই। চাদা ০.০২৫গী মখাদা লৈখিবদা ৱাৎপগী লায়ওং উৎলি। অয়াকপা (alkaline) লম অমসুং ফোসফরস য়াম্না হাপখিবা মফমদা পাম্বীনা জিঙ্ক চুম্না লৌখৎপা ঙমদে।

**ফনবা শেম শাবা :** লায়ওং উৎলবা মফমশিংদা জিঙ্ক সলফেট গ্রাম নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। তশেংনা জিঙ্ক ৱাৎলে খঙলবা মফম ওইরবদি লৈবাক শেম্বা মতমদা জিঙ্ক সলফেট কিলোগ্রাম অহুমদগী মরি ফাওবা শঙম খুদিংদা হাপহৌগনি।

**কোপ্পর :** পাম্বীদা কোপ্পর চাং য়াম্না নেম্না চংই। ৱাৎলকপা মতমদা তিল্হৌ-চনমগী নৌরিবা মনাশিংগী মতোন কংশিল্লকই। মতোনলোমদগী কংশিল্লকপদুনা মখোঙ য়ৌশিল্লকই; মনাদুমক মপূং ফানা শিখি। মরা তাথবা ঙমদে। চনমদদি মরূ তাথবা ঙমদে।

**ফনবা শেম শাবা :** তিল্হৌ-চনমদা তাবা লায়নাশিং লাকশিন্নবা কোপ্পর সলফেট গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপদুনসু পাম্বীদা কোপ্পরগী অৱাৎপা মেনশিনবা ঙম্মী। মসি অহুল্লক কাপথোক্কনি।

**বোরোন :** বোরোনসু পাম্বীদা চাং য়াম্না নেম্না য়াওই। পাম্বীগী শরুক মিলিয়ন অমদা শরুক ১০দগী ২০০ ফাওবা য়াওই। শরুক মঙাগী মখাদা লৈখিবগা ৱাৎপগী লায়ওং উৎলি। অনৌবা মনা ইনখৎলকপা ঙমদে। বোরোন চপ চানা য়াওজবা মশা ফরিবা তিল্হৌ-চনম পাম্বী অমদা মনাগী মশীং ১২দগী ১৩ ফাওবা লৈজরবসু বোরোন ৱাৎপা তিল্হৌ পাম্বীদদি মনা মশীং য়ামদে, অহুম-মরিদগী পংহেন হেন্দে।

**ফনবা শেম শাবা :** বোরোন ১০% মিলিলিটর নৎত্রগা গ্রাম (মহি-মপং অনীমক ফংই) ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি।

তিল্হৌ টন অমা পুথোকপদা নাইট্রোজেন কিলোগ্রাম ২.১দগী ২.৫ ফাওবা; ফোসফরস কিলোগ্রাম ০.৩-০.৩৫; পোটাস ১.৩-১.৪; সলফর কিলোগ্রাম ০.২৫-০.৩ অমসুং জিঙ্ক গ্রাম ২.৭৫-৩ লৈবাক্তগী পাম্বীনা লৌথোকই। চনম পাম্বীনসু চপ মান্নবা চাংদা লৈবাক্তগী লৌথোকই।

থমজনীংবদি পাম্বীগী মচীঙ্গাক ৱাৎলে খঙলবা মতমদতা হাপ্পনা ফংফম থোকপা পোথোক কৈদৌঙৈদা য়ৌহনবা ঙমদে। মথৌ তাবা মচীঙ্গাক খুদিংমক ৱাৎপগী লায়ওং উৎলক্ত্রিঙৈদা কাংলোন চুম্না পীসি। ●

## মীওইবা ঐখোয় হকচাং ফনা লৈনবা লৈবাক লৈহাও মশা ফহনসি

- এস সুমঙ্গল -

পাম্বী য়াওনা থৱায় পানবা খুদিংমক মচীঙ্গাক চারিবসি হিংনবনি। অতোপ্পা থৱায় পানবা খুদিংমক্কী চীঙ্গাক্তি লৈবাক লৈহাওদগী হৌবা পাম্বীনা পীবা ঙাক্তনি। মশা ফবা লৈহাওদা মশা ফবা পাম্বী হৌই। মশা ফবা পাম্বী চারগা, চারিবা মীওইবা য়াওনা শা-ঙা থৱায় পানবা খুদিংমক মশা ফৈ। অৱাৎপগী লায়না (দিফিসিএন্সি দিজিজ) নাদে। মসিবু খঙবা মীওই খরনদি লৈবাক লৈহাও কনসি হায়বা খোল্লাও মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লাউনরক্লি। থৱায় পানবা অয়াম্বনা হিংলিবসি লৈবাক লৈহাওদা থাবা পোৎলমশিং চারগনি হায়বসি মুন্না খন্থদুনা তশেংনা খঙনরক্লবনা খোল্লাও অসি থোরকপনি হায়বা তাই। মসিদা থৌদাং লৌগদৌরিবসি লৈঙাক য়াওনা মীপূম খুদিংমক্কীনি হায়জনীংই। চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপদা তুংগী খন্থদনা তৌরুবা থবক কয়ানা মালেমগী লৈবাক লৈহাওশিংদা পীরকপা চৈথেংনা মালেমগী লৈবাক লৈহাওশিং শীজিন্নবা য়াদ্রবা লৈবাক লৈহাও ওইখিবদগী কলহৌনবা মতম হেনখিগদৌরবনি। পঞ্জাব, হরিয়ানাগী লৌফম কয়া লৈকংলাগুম ওইরকপদগী লৌমী কয়া মকোক্তা মখূৎ হাপ্পরবনি। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা হায়বসি থারিবা অমসুং চারিবা মীওই খুদিংমক্কীসু য়াম্নমক মরু ওইবা থৌরম অমনি হায়জনীংই। মরম অসিনা লৌউ-শিংউবদা লৈবাক লৈহাওবু মাঙহন্দনা লৈবাক লৈশাবু মশা ফনা থম্মনবা অরায়বা থৌরম খরা খঙজিনমিন্নসি।

১) **লৈবাক নিংথিনা খোইবা :-** মফম অদুবু নিংথিনা খোইদুনা শেম শাবা হায়বসি পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙম্নবা থৌরম অমনি। মসিনা হৌরম্বা নাপী-শিংনাশিংগা লোয়ননা হান্না থারম্বা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক লৈশাদা খোইজিন্দুনা লৈবাক্তা তিলহল্লি। মসিনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনবদা, পাম্বীশিং অদুনা চুপথোকখ্রবা লৈহাও হঞ্জিনহন্দুনা লৈহাও কাহনবদা মতেং পাংই। মতমগী মতুংইন্না লৈবাক লৈশা য়ারিবমখৈ হন্থনা খোইবা ৱাফম অমসু থোরক্লি। মসিসু অয়াবা মফমদা পায়খৎপা ফৈ। খুদম ওইনা মহৌশাগী লৌউ পায়খৎপা মতমদা মসিদি তঙাইফদে।

২) **অওন পোখা (ক্রোপ রোটেসন) :-** পাম্বী মখল অমখক্তং হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌফম অমত্তংদা থাবনা পাম্বীদুনা পামজবা মচলশিং লৌফমদুদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন লৌথোকখিবনা মচলদু মাঙখিবা তাবনি। লোয়ননা লৈহাও হন্থরকপা তাবনি। মরম অসিনা মান্নদবা পাম্বীশিং ওন-ওন্দুনা থাবা ফৈ। মসিনা লায়না তীলনা কয়া লৌফমদুদা তাশিনবদগীসু কনবা ঙমগনি। রোটেসন অসিগী মনুংদা ঙল্লবদি চহী খুদিংগী নৎত্রগা চহী অনী অহুম খুদিংগী হৱাই পাম্বী অমুমুক্তি য়াওহনবীগনি। মসিনা লৈবাক্তা নাইট্রোজেন হাপচিন্দুনা লৈবাক লৈহাও কাহল্লি। য়ুরিয়া হার হন্থহনবা য়াই। হৱাই হায়রগা রাজমা কাঙলূপ্তি মসিগীদমক ওইনদি হাপ্পদে।

৩) **নাপি পেংথোকপা :-** মতম চানা নাপী পেংথোক্তবনা নাপীনা পাম্বীগী মচীঙ্গাক অয়াম্বা চাথোকখিদুনা চাথোক শাথীনা হন্থবা মশানা তাবনি। নাপীগা থারিবা পাম্বীগা কম্পিটিসন তৌবদা নাপীনা অদুমক ঙমদুনা লৈগনি। হৌরিবা নাপী মতম চানা পেংথোক্তুনা হার ওন্থোকসি, পাম্বী ফহনসি। লৈবাক লৈহাওসু কনসি।

৪) **লৈবাক্কী/লৌফমগী ঈনিল চাং চানা থম্বা :-** লৈবাক্তা ঈনিল হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপা মতমদা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। ঈশিং হেনবা মতমদা লৈহাও পীরিবা মচল ঈশিংনা চেন্থদুনা নৎত্রগা চুমথদুনা মাঙই। চাং চানা থম্বনা লৈহাও মাঙদবা হেল্লি। লৈবাক লৈহাও কনবদা মতেং পাংই। লোয়ননা ঈশিংসু কল্লি।

৫) **লৈবাক লৈহাও চেন্থবদগী (সোইল ইরোজন) কনবা :-** পাম্বীগী য়াম্না মরু ওইরিবা মচীঙ্গাক মচল নাইট্রোজেন অসি লৈবাক্কী মথক থংবা শরুক্তা অয়াম্বা লৈবা মরম্না লৈবাক চেন্থখিবা মতমদা অয়াম্বা মাঙই। লৈবাক লৈহাও চেন্থদনবা মখল মখা কয়াগী পাম্বে শীজিন্নবা তঙাইফদে। মতম চূপ্পদা খোইদোক্লবা লৈমায় কুপশিন্দুনা থম্নবা পাম্বে শীজিন্নবা তাই। মখাদা আইতেম ৮ শুবদা খরা থমজরি।

৬) **গ্রীন মেন্যুরিং :-** থরাক পানবা হৱাই মখলশিং খুদম ওইনা চুচুলাংমৈ, উ হৱাই মতোন, হৱাই অশাংবী, অতোপ্পা পাম্বী ওট পাম্বী, চনাল, চদেনচিংবা মিলেট (মখল) পাম্বীশিং থাদুনা খরা নৌরিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী অশংবা মনা-মশিং, অনৌবা উশা-ৱাশা খোল্লুরগা অশংবা ওইনা লৈবাক্তা খোইজিনবগী থৌওং অসি গ্রীন মেন্যুরিং হায়নরিবদুনি। মসিনা লৈবাক লৈহাও কাহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহল্লি। থরাক পানবা হৱাই মখলশিংগা হিংকুপ (রাইজোবিয়ম) খরগা হিংমিন্নদুনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা লৈবাক্তা হাপচিল্লি। মসি ঙম্বা পাম্বীশিং অসি য়াম্নমক মরু ওই। অসুম্না লৈহাও কারবা অমদি লৈশা ফগৎলবা লৌফমদা থাবা পাম্বীশিং চাথোক নিংথিনা পীবা ঙম্মী, শেন্দোং লৈহল্লি, তুং কোয়না লৌফম অদু লৌ উবা য়াহল্লি।

৭) **লৈমাই কুপশিনবা ঙম্বা পাম্বী (কোভর ক্রোপ) থাবা :-** লৌবুক লমহাং ওইনা পোৎ চৈ থাদনা লৈবা মফমশিংদা কোভর ক্রোপ থাদুনা ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও চেন্থোক্তুনা মাঙহনবদগী কনবা ঙমহল্লি। থাবা য়াবা পাম্বীশিংগী মনুংদা মঙ্গ্রা, পোং হৱাই, হৱাই অশাংবী পনবা য়াই।

৮) **মহৌশাগী ওইবা হার (ওর্গানিক মেন্যুর) শীজিন্নবা :-** পাম্বীগী উনা-ৱানা, নাপি-শীংনা অমদি শা-ঙাশিংগী পথ্থ-পুমথরবা হার (কম্পোষ্ট), নিংথিনা পথ্থ-পুমথরবা মখলগী মহৌশাগী ওইবা হারশিং ষন্থি-ষণয়ুং, থাওথি অসিনচিংবশিং অসি অফবা মখলগী লৈবাক লৈহাও কাহনবা, লৈশাগী ফীভম ফগৎহনবা, কান্নরবা হিংকুপশিং মরাং কায়হনবা ঙম্বা হার মখলশিংনি। মখোয় শীজিন্নবনা তুং কোয়বা লৌউ শিংউ ওইহনবদসু চাউরবা থৌদাং লৌরিবনি। ষন্থি-ষণয়ুংগী হার অমদি ভর্মিকম্পোষ্টসু য়াম্না ফবা মেন্যুরনি।

৯) **অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা তুংহন্দবা/দ্রেনেজ ফহনবা :-** লৌফমদা অহেনবা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবনা লৈবাক লৈহাও চিথ্থদুনা/চুমথদুনা মাঙই, হিংকুপশিং হিংবা ঙমহন্দে, লৈশাদা/লৈনুংদা নুংশিৎ ফংহন্দে। হিংকুপশিং মথৌ তৌদ্রবনিনা মিনরেলাইজেসন তৌদুনা পাম্বীদা মচীঙ্গাক ফংহনবা ঙমদে। মরমশিং অসিনা অহেনবা ঈশিং চিথোক্তুনা লৌফমদগী লৌথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওই।

১০) **খূৎশেমগী হার (কেমিকেল ফর্টিলাইজর) :-** ওর্গানিক মেন্যুরদদি পাম্বীগী মচীঙ্গাক মচল য়াম্না য়াওদবা মরম্না খূৎশেমগী হার খরা শীজিন্নদুনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা অসিসু তঙাই ফদে। চাং চানা মতম চানা কাংলোন চুম্না হাপ্পিগনি। লোকখ্রবা পাম্বীনা চুপখৎখ্রবা হারশিং মাঙখিদনবা মখোয়গী লেমহৌখাকশিং খুদম ওইনা চরূ, চুজাক মখোক, হৱাইগী মরী, খোংদ্রুম, মাইরেন মরী, আলু মনা মখোক অসিনচিংবা লৌফমদা খোইজিনবিদুনা লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবিবসু তঙাই ফদে। মৈ থাদোকখ্রবদি পূম্নমক মাঙখ্রে।

১১) **অশিন-অয়াক্কী চাং চানা থম্বা :-** কা হেন্না শিনবা নৎত্রগা কা হেন্না য়াকপা লৌফমদা পাম্বীনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে। মরমদি অশিনবা লৈবাক্তা আইরন, মেঙ্গানিজ, এলুমিনিয়ম পাম্বীনা ফংবা ঙমদে। মণিপুরগুম্বা অশিনবা মফমসিদি মতম-মতমগী ওইনা অশিনবা চেক তৌথোকপীদুনা চুমথোক্লবা শুনু চাইদুনা অমদি অচুম্বা হার মখল চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক শিন্দনবা হোৎনবা চঙই। নাইট্রোজেন পীবা হার য়ুরিয়াসু লৈবাক শিলহল্লি অদুবু এম্মোনিয়ম সলফেটতগীদি হেন্না ফৈ। য়ুরিয়া কিলো অমা চাইবা খুদিংগী শুনু কিলো ২.৫-৩ ফাওবদি চাইসি।

১২) লৌউ হীদাকশিং মশক খঙনা, মফম মতম চানা চাং চানা শীজিন্নদুনা হুনা থল্লবা লৈবাক ঈশিং অমদি নুংশিৎ ওইহনগুমসি।

১৩) মফম চানা উ-ৱা থাজিনসি। পাক্তক্লনা উমং কোকথোকপা তোকসি অমদি তোকহনসি, উ-ৱা হৌদবা মফমদগী নোংগী ঈশিং অমদি নুংশিৎনা লৈহাও চেন্থোকপদগী কনসি।

১৪) চরূ মৈ থাবা তোকসি, হার ওন্থোকসি, অতৈ থারিবা পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং হার ওন্থোকসি লৈবাক্তা হঞ্জিনসি। ●

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-৯১

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

খুয়া মখুদোলসু পোকথোকনা শোকলে। লৈমোন ও মিংথোলয়ে। মথংলেল মপুরোইবগী খোঙগুল লীনা থিনা লাকপদা। লমলেল লমদম মফমসিদি। করমনা কোইবু কোইবনো। চাককোই ও হায়না মিংকৌয়ে। হয়িচক নহালঙৈদা। লৈপন খানা থংবা লম তোঙলেন লৈশিচাকসিবু। ইপুরোইবা লুৱাং নহাগী। লৈরম লমদম ময়ুমফমবু করম অসুক মালনবনো। নমনা নমনা য়েংনা য়েংনা চৎখিয়ে। লমপাল ও হায়না মিংকৌয়ে। লমপাল কোইরোঙপাল। খোইজু লৈখোমপাল ও। মিংকৌখিবদি করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -꯹꯱